## ট্রেনিং প্রোগ্রাম লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৮ঃমিনিষ্ট্রি ওফ চাইল্ড দিভলপমেন্টকী কম্যুনিটি ফূদ এন্দ নুট্রিসন এক্সটেন্স য়ুনিট, ইম্ফালনা আইসী দি এস প্রোজেক্ট বিষ্ণুপুরগা খুৎশম্নরগা নুমিৎ নীনিগী ওইবা ইনফেন্ট এন্দ য়ং চাইল্ড ফীদিংগী ওরিএন্টেসন ট্রেনিং কোর্স অমা হৌখিবা মার্চ ১৭তগী বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী নম্বোল কোংখামদা চথরকপা অদু ঙসি লোইশিনখ্রে হায়না য়ুনিট অসিগী প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি। চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, লোইশিনবগী থৌরম অদুদা নম্বোল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ৯গী কাউন্সিল্লর টি ঐচ হেমাবী লৈমানা অথোইবা লেঙবীরকপী কম্যুনিটি ফূদ এন্দ ন্যুট্রিসন এক্সটেন্স য়ুনিট, ইম্ফালগী দেমোনষ্ট্রেসন ওফিসার এস বিহারিনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

পাঙথোকখিবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা ওইনাম পি ঐচ সিগী মেদিকেল ওফিসার ইন-চার্জ ডো. টি ঐচ নবকিশোর মৈতৈ, আই সি দি এস, বিষ্ণুপুরগী সি দি পি ও ৱাই সরালক্ষ্মি, প্রোজেক্ট অসিমক্কী সুপরভাইজর ইন্দিরা হাওবিজম অমসুং এস পুর্ণিমাগা লোয়ননা কম্যুনিটি ফূদ এন্দ ন্যুট্রিসন এক্সটেন্স য়ুনিট, ইম্ফালগী ওফিসারশিংনা নুট্রিসন ওফ এদোলিসিসেন্ট গার্লস, প্রেগনেন্ট এন্দ নর্সিং মাদরস, মালন্যুট্রিসন, ইনফেন্ট এন্দ য়ং চাইল্ড নুট্রিসন, ব্রেষ্টফীদিং এন্দ কম্পিমেন্টরি ফীদিংগী মতাংদা ৱা ঙাংবা অমসুং পীক্লিবা অঙাং মচাশিংগী মখল মথেলগী মচি ওইবা চীঞ্জাক শেম শাদুনা উৎপনা মপুং ওইবা প্রোগ্রাম ওইখি। ট্রেনিং অদুদা অঙ্গন ৱাদি ৱার্কর, এদোলিসেন্ট গার্ল, প্রেগনেন্ট অমসুং নর্সিং ৱিমেন ৩০না শরুক য়াখি। লোয়ননা ট্রেনিশিংদা সার্টিফিকেট অমসুং টি এ/দি এসু য়েন্থোকখি হায়রি।

## 'খুদক্তা অথিংবা কোমথোকপীয়ু'

ইম্ফাল, মার্চ ১৮(ঐচএনএস)ঃ হৌজিক ইম্ফালগা লৈবা মরু ওইবা কেথোলিক স্কুল ৫বু মতম কক্তনা কে সি পি পোইরৈনা থিংদুনা স্কুল হাংবা য়াহনদ্রিবা অসি মহৈরোয়শিংগী খন্দুনা খুদক্তগী কোমথোকপীনবা দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস' এল্লাইন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)গী মায়কৈদগী মরী লৈনবশিংদা আপীল তৌরক্লি।

দেসাম,ময়াই লোইশঙগী এদ্যুকেসন এন্দ একাদেমীক এফ্যেরসকী সেক্রেটরি এস বোরমণিনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, করিগুম্বা স্কুলশিং অসিগী এদমিসনগী থবক থৌরমশিংদা অরানবা তৌরে হায়রবদি অরানবা তৌবদা চেন্নরিবশিং অদুখক্তমক মরালগী মতিক চাবা চৈরাক পীবদা দেসামনা করিসুং হায়নীংঙাই লৈতে। অদুবা ওথোরিটিগী মীওই খরনা অরানবা তৌই হায়বগী মরালদা স্কুলশিংদা তন্লিবা মহৈরোয় লিশিং কয়াগী পুন্সি খোঙ্গাওনবদি য়েংদুনা লৈবা ঙল্লোই।

স্কুল ওথোরিটিশিংনসু শিরক্লিবা মরালশিং অসিগী মতাংদসু ময়েক শেংনা মীয়ামদা থমফম থোকই। হয়েং মার্চ ১৯দগী স্কুল মঙামক মহৌশাগুম হাংদুনা নোর্মেল ক্লাস তৌগদবনি। মহৈরোয়শিং অমসুং ভেন সার্ভিস তৌরিবশিংনসু মহৌশাগুম স্কুল লাক্লবা দেসামগী মায়কৈদগী খঙহঞ্জরি হায়রি।

## লাইথৌ থৌরম পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, মার্চ ১৮ঃলাক্লিবা মার্চ ২০, লমতাগী থাশি ৩০নি পানবা ইরাইনুমিৎকী অহিংদা সনা কোনুংগী অমাই, অমাইবী, পেনা অমসুং ফমথোল ফম্লাইবশিং য়াওনা হৈবোক চীংগী থরোইলোক চীংদোন্দা লৈবা লাইফমদা নোংয়াই চবুক লোন্নবা মতমদা লীংশৎ-শীংখায়বা, শীংথেক-শীংথাবগী থৌরম পাঙথোক্কনি হায়না উত্রা শঙলেন, সনা কোনুংগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি লৌরেম্বম অজিৎ মীতৈনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, লাইথৌ অসিগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন্দি লাক্কদৌরিবা অনৌবা চহী অদুদা লাংফম অতেকপা, লাংফম অপাইবা অমসুং লাংফমলেল (লাংফম অচৌবা), লাংফম অহুমসিদা শিরগনি হায়না লাইয়াম্না শীংথেকখ্রবা শীংথাখ্রবা থৱায় কয়াবু লৈপাক মাইবা খুৎলাই তাঙ, নিংথৌ মাইবা চিরাই তাঙবনা অদুগুম্বা শিরগদবা থৱায়শিং অদুবু শীহনবীগনু হায়না শৎহৌবা (খাইহৌবা) য়াম্না লুবা লাইথৌনি। অমরোমদা মসি তাইবং মীগী লাইগী মরক্তা লাইনা পুখ্রগদবা থৱায়শিংবা পুবা য়ারোই, খাইবীরম্মু, থম্বীরম্মু হায়না শৎহৌবা (লৌহৌবা) য়াম্না লুবা লাইথৌনি হায়রি।

## ' কমিটিগী লুচিংবশিংগা ফম্মিন্নদুনা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবনা লৈঙাক্কী অচুম্বা ওইগনি'

ইম্ফাল, মার্চ১৮ (ঐচএনএস)ঃ ভিজিটর্স, টেনান্টস, মাইগ্রেন্ট এন্দ ৱার্করস বিল, ২০১৫ মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিদা পুথোক্ত্রিঙৈ অমসুং পাস তৌদ্রিঙৈদা জোইন্ট কমিটি ওন ইন্নর লাইন পার্মিটকী লুচিংবশিংগা খন্ন-নৈনরবা মতুংদা পুথোক্লবদি থৌশিল হৈবা লৈঙাক ওইরমগদবনি লোয়ননা এসেমব্লিনা পাস তৌরবসু চয়েৎনবা অমা থোক্লিবা অসি জোইন্ট কমিটি ওন ইনর লাইন পার্মিটকী লুচিংবশিংগা ফম্মিন্নদুনা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবনা লৈঙাক্কী অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি হায়না সী পি আই (এম-এল) লিবরেসন, মণিপুর ষ্টেট কমিটিগী প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, চীফ মিনিষ্টরনা হাউস্তা পীখিবা ৱারোলদা পোলিটিকেল পার্টিসিংগী কমিটিনা পীবা রিকম্মেন্দেস অদুদা চাদা ৫০দগী ৭৫ ফাওবা য়াওরে হায়রি। পোলিটিকেল পার্টিশিংগী কমিটিনা পীরিবা রিকম্মেন্দেস চাদা ৫০দগী ৭৫ অদু মণিপুরগী মীয়ামদা খঙহনবা মথৌ তাই। মরমদি বিল পুথোক্লে অমসুং পাস তৌরবনিনা বেঙ্গল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়র রিগ্যুলেসন, ১৮৭৩, রিগ্যুলেসন ৫ ওফ ১৮৭৩ (২৭, ওগষ্ট ১৮৭৩)গী মখাদা ইনর লাইন পার্মিট সিষ্টেম, কুমজা ১৯৬৩গী দিসেম্বর ১দা ইনিদয়াগী ১৬শুবা ষ্টেট ওইখিবা নাগালেন্দা চৎনরি। নোর্থ ইষ্ট ফ্রন্টিয়ার এজেন্সি (নেফা) হায়না খঙনরম্বদগী কুমজা ১৯৭২গী জন্যুৱারী ২০দা অরুনাচল প্রদেশ হায়না মমিং থোনখিবা অমসুং কুমজা ১৯৮৭গী ফেব্রুৱারী ২০দা ষ্টেট ওইখিবা অরুনাচল প্রদেশ অমসুং হায়রিবা মতম অসিমক্তদা ষ্টেট ওইখিবা মিজোরামদা ইনর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চৎনরি।

ষ্টেট অহুম অসিদা চৎনরিবা ইনর লাইন পার্মিট সিষ্টেম ইন্দিয়ান কনষ্টিট্যুসনননা য়ারি, কনষ্টিট্যুসনগী আর্টিকল ১৯ (দি) (সী)দা অকায়বা পী হায়দে। ইনর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চৎনরিবা ষ্টেট অহুমদা লৈরিবসিংগী মরক্তা মীওই কয়াসু ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদা লম লৈরম্বসু য়াই, ময়ুম মকৈ কয়া শারম্বসু য়াই, মখোয়গী ষ্টেটতা ইনর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চৎনৈ হায়দুনা অয়েৎপা পীবগী ৱাফম ঙসি ফাওবা তাদ্রি। অদুনা কনষ্টিট্যুসনগী আর্টিকল ১৪গী হায়রিবা অদুগী মতুং ইন্না মণিপুরদা নাগালেন্দ, মিজোরাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশকুম ইনর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চৎনহনবদা ইন্দিয়ান কনষ্টিট্যুসনদা করিসু অকায়বা লৈতে। মসিদি কনষ্টিট্যুসন্না পীবা মণিপুর মীয়ামগী ফংফম থোকপনি হায়রি।

বেঙ্গল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়র রিগ্যুলেসন, ১৮৭৩ অসিনা বৃটিশনা ইন্দিয়াদা পাল্লিঙৈগী এক্ট ওইরবসু কুমজা ১৯৬৩দা ষ্টেট ওইখিবা নাগালেন্দা কুমজা ১৯৮৭তা ষ্টেট ওইখিবা মিজোরাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশতা চত্থরিবা ইনর লাইন পার্মিট সিষ্টেম মণিপুরদা চৎনহনবা হায়বসি য়াম্না তঙাইমক ফদবনি। সিষ্টেম অসি চৎনরিবা নাগালেন্দ, মিজোরাম, অরুনাচল প্রদেশ এন্টি ইন্দিয়ান ওইদে। মসিগী মমাঙদা সিষ্টেম অসিগী বিল অয়াবা পীনবা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টতা থারুরগা য়ারক্ত্রে হায়রিবা অদু ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা য়ারক্তবগী মরম মণিপুর মীয়ামদা খঙহনফম থোক্ত্রা অমসুং খঙহনফম থোকই। মসিদি য়াম্না ট্রান্সপরেন্ট ওইনা তৌবগী তঙাই ফদবা লৈ। মণিপুরদা ইনর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চৎনহনবা হায়বসি ইন্দিয়ান কনষ্টিট্যুসন্না পীবা মণিপুরী খুন্নাইগী ফংফম থোকপনি হায়রি।

জোইন্ট কমিটি ওন ইনর লাইন পার্মিট সিষ্টেমনা মণিপুরদা আই এল পি সিষ্টেম চৎনহনবা হায়রিবসি মণিপুর মীয়াম, এম এল এ ৬০, এম পি অহুমগীসু য়াওরিবনি। মসিদা মণিপুর লৈঙাক্কী লুচিংবা চীফ মিনিষ্টরনা মণিপুরগী তুংগী খনবীরগা ভিজিটরস, টেনান্টস, মাইগ্রেন্ট এন্দ ৱার্করস বিল, ২০১৫ খুদক্তা জোইন্ট কমিটি ওন ইনর লাইন পার্মিট সিষ্টেমগী লুচিংবশিংগা খন্ন-নৈনদুনা হাপচিনবা য়াবা অমসুং লৌথোকপা য়াবা লৌথোক্লগা অমুক হন্না এসেমব্লিগী মীফমদা থন্নগা বিল পাস তৌবনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি। মদু নৎতনা লৈঙাকনা ঙম্মী হায়বগী মতাগুম নমফু হাফু তৌগনি হায়রবদি দেমোক্রেসিবু খোঙ্গাওনবনি হায়রোইদবগী মরম লৈতে হায়রি।

ষ্টেট অসিগী লৈঙাক্লোনগী পুৱারীদা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবশিংনা কুমজা ১৯৪৭তগী লৈঙাক্লোনগী চপ চাবা ফীরেপ লৌবিরম্লবদি ঙসিগী মণিপুরদা ইনর লাইন পার্মিট সিষ্টেমগী ৱাথোক অসি লাক্লমলোই। মতম অমগী মীয়ামগী মীহুৎশিংনা পীরম্বা খুদোলনা মণিপুরনা ইন্দিয়াদা য়াওরবা মতুংদা মণিপুরদা চৎনরম্বা ইনর লাইন পার্মিট সিষ্টেম লৌথোকখি, কবো ভেল্লি মাঙখি, মণিপুরগী টেরিটোরিএল ইনিটগ্রিটিগী চৈঙাক লৈতে, হীরম খুদিংমক্তা শোইরবা ষ্টেট ওইরি।ঙসিগী মণিপুর মীয়ামগা মীহুৎ ওইরিবা চীফ মিনিষ্টর য়াওনা মহাক্কী কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টর, এম এল এশিং, ওপোজিসনগী এম এল এসিং, এম পি ৩না পীরম্বা খুদোলনা মণিপুরগী তুংদা লাক্কদৌরিবা মীয়াম্না ফংগদৌরিবনি। মসি খঙনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবা এম এল এ ৬০, এম পি ৩না ইন্দিয়ান কনষ্টিট্যুসনননা পীবা পাঙ্গলগী মনুংদা থবক পাঙথোকপদা মণিপুরগী মীয়ামগী অপাম্বা ইনর লাইন পার্মিট সিষ্টেম গী বিল অয়াবা পীফম থোকই হায়রি।

ইন্দিয়ান কনষ্টিট্যুসনগী আর্টিকল ২৪৫ ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা ঈকায়খুম্ন ফম থোকই। ষ্টেট গভর্নমেন্টতা কনষ্টিট্যুসননা পীবা পাঙ্গল শীজিন্নদুনা মণিপুর মীয়াম্না য়াবা ইনর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চৎনহন্নবা বিল পাস তৌবদা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা অকিবা পোকপা হৌনদে। মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবা এম এল এ ৬০ কনষ্টিট্যুসননা পীবা পাঙ্গলগী মনুংদা মীয়ামগীদমক কত্থোকফম থোকই। অদুনা খুদক্তা জোইন্ট কমিটি ওন ইনর লাইন পার্মিট সিষ্টেমগী লুচিংবশিংগা মণিপুর লৈঙাক্তা ৱারী শানদুনা ভিজিটরস, টেনান্টস, মাইগ্রেন্ট এন্দ ৱার্করস বিল, ২০১৫গী ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবীয়ু হায়রি।

## 'উমংলাই হরাউবগী থৌরম অপাম্বা মায়কৈদা পুনবা হোৎনবীগনু'

ইম্ফাল, মার্চ ১৮ (ঐচএনএস)ঃ নীংশিংবা থোক্লবা মতমদগী হৌদুনা পথাংকোক পুথাংকোক মথং মথং কায়দনা চত্থদুনা লাক্লিবা ঐখোয়গী ইফুরুপকী শক্তম অমসুং ইখুনাইসিবু তাক্লিবা থৌরম্নি উমংলাই হরাউবা। থৌরম অসি মণিপুরগী মনুং অমসুং মপান্দগী মাগী মাগী খুলশিং, লৈকায়শিং কয়াদা শোইহনবা য়াদ্রবা চহীগী ওইবা থৌরম অমা ওইনা হরাউনরি হায়না উমংলাই কনবা অপুনবা লূপ (উকল)না ফোঙদোরক্লি।

উকলগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি লোংজম অরুননা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, উমংলাই হরাউবগী থৌরম শীনবীরিবা লাই থৌগল লূপশিং অমসুং হকথেংননা লাইথৌ তৌবিরিবা অমসুং তৌবীরিবা পুম্নমক্তা উকলনা থমজরিবা ৱাফমদি উমংলাই হরাউবনা ইফুরুপ অসিগী ওইবা মমল য়াল্লবা ৱাখল লৌশিং কয়া ইখুনাই অসিদা পীরিবা অসি মমুৎ তানা খঙহন্নবা হোৎনবীয়ু। মীওইবনা পোকপদগীনা শিবা ফাওবগী খোঙচৎ নৈনরিবা উমংলাই হরাউবগী থৌরম্নি। অসুক লুখ্রবা থৌরম অসি তরাই তরাইনা খনবীদুনা ইশা ইশাগী ওইবা অনীংবা অপাম্বদা পুনিংবা মায়কৈদা পুনবা হোৎনবীগনু।

হৌজিক্কী চাউখৎলক্লিবা মতম অসিদা য়েলহৌমীনি হায়না হিংলিবা ঐখোয়গী ইনাৎ, লাইনীং চৎনবী অমসুং শক্তম তাকচবা হায়বসি উমংলাই অমসুং উমংলাই হরাউবা হায়বা থৌরম অসি নৎতনা ঐখোয়গীদি লৈত্রে হায়না লৌবা য়ারে। উমংলাই হরাউবা হায়বসি ঐনা পাম্মি হায়দুনা থৌরম অমা হেক্তা হাপচিনবা য়াদবা, পামদে হায়দুনা মশাগী লৈজরিবা থৌরমশিং অদুদগী হেক্তা লৌথোকপা য়াদবা মৈহৌরোলদগী কায়বা য়াদ্রবা উমংলাই হরাউবগী লীকলমচৎ অমা মশানাঅসুম্মক লৈজে। মরম অদুনা ঐ লাই তোংবনি নৎত্রগা লাই তোংলিবনি হায়দুনা অওৎ-অপা শাবা য়াদবা, ঐ অকম্নবনি অথৌবনি হায়দুনা তৌনিংবতা তৌশিনবা য়াদবা থৌরমনি। উমংলাই হরাউবা কায়ফদবা চৎনবী কয়া লৈবনা ঐনা তৌনিংবতা তৌশিনবা য়াদে উমংলাই হরাউবদা হায়রি।

চাহোং ঙাহোংবা, খুঞ্জাউ লৈচাউনবা, তংদু লৈতানবা, নুংঙাই য়াইফবা পুন্সি অমগী কাঙলোল চুম্না লীক্লম কায়দনা উমংলাই হারাউমিন্নসি। লীক্লম কায়হনবা য়াদ্রবা উমংলাই হরাউবগী ওইহন্নিংবা মশক্ত ওইহন্নবা হোৎনবদা লাই হরাউবগী থৌগল লূপশিং, হকথেংননা লাইথৌ তৌরিবা অমাইবশিং, অমাইবীশিং, পেনা অশৈবশিং, লৈকায়-খুলশিংগী মৈরা পায়বী লূপশিং, ক্লব অমসুং খুঞ্জাশিংনা তেংবাংবীয়ু। চহী খরগী মমাঙদগী উকলনা কাঙলোল চুম্না উমংলাই হরাউনবগীদমক মীয়ামদা থমজবা তৌগদবা তৌরোইদবা, য়াবা-য়াদবা কাঙলোনশিং অদু মতম মতমগী নৈনবীদুনা লাই হরাউববু লীক্লম চুমহন্নবা হোৎনবদা তেংবাংবীদুনা শরুক য়াবীয়ু হায়রি।

উকলনা অরাপ্পা-অনকপা থিদনা লেপ্পা লৈতনা কাঙলোল চুম্না উমংলাই হরাউনবা লাই থৌগল লূপশিং, খুঞ্জাশিং হকথেংননা ৱাতানবগী থবক চত্থরি। ৱাতানমিন্নখ্রবা লাইবুঙশিংদি ইবুধৌ পুথিবা, ৱাইতোন, ইবুধৌ কৌব্রু অশুপ্পা, ফুলো সিফাই, নোংপোক নিংথৌ পান্থোইবী, বেংগি, নোংপোক নিংথৌ পান্থোইবী, য়াইরিপোক বিষ্ণুনহা, নোংপোক নিংথৌ পান্থোইবী, তোরবুঙ ৱার্দ নম্বর ৫, ইবুধৌ পাঙ্গলবা, ত্রোংলাওবী, ইবুধৌ পাখঙবা, কৈরেন ফাবী, ইমা পান্থোইবী , উৎলৌ, লাংপোক নিংথৌ, লাংপোক, ইবুধৌ সোরারেল, লাইরেঞ্জম অমসুং ইবুধৌ সোরারেল, ককময়াইনি। ইরৈপাকসিগী অমসুং ইফুরুপসিগীনি খন্না অঙম্বা থাক্তা কোয়না চৎতুনা খরদং হোৎনজবা অসিদা ইরৈপাকসিগী মীপুম খুদিংমক্না অঙম্বা তেংবাং পীবীয়ু হায়রি।

## কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৮ঃ নেসনলে প্রোগ্রাম ফোর কন্ট্রোল ওফ ব্লাইন্দনেস(এন পি সি দি), মণিপুর অমসুং এন ঐচ এমগী মখাদা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চনবা ময়াং ইম্ফাল ৱাঙ্খেং থানা লৈকায়দা এন পি সি বিগী ষ্টেট প্রোগ্রাম ওফিসার ডো. ঐচ বিদ্যানা লুচিংলবা জেনিমসকী ডো. সুভজিৎ, ডো. ভারতি অমসুং এম এস বি সি এসকী টেক্নিসিয়ানশিংগা লোয়না নোংমগী ওইবা ফ্রী কেটরেক্ট দিটেক্সন কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। মসিদা অচঙবা হীদীক লাংথক অমসুং ওপরেসন তৌবা পুম্নমক শেল অমত্তা তিংলোই অমসু জেনিমস হোস্পিটালদা তৌগনি হায়না এন পি সি বি, মণিপুরগী ষ্টেট প্রোগ্রাম ওফিসার ডো. ঐচ বিদ্যানা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

## ৫৫রক শুবা লাইনীংগী মরমদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ১৮(ঐচএনএস)ঃ লাইশ্রম মণি গৌর সঙ্গিত একাদেমী, থৌবাল ৱাঙ্খেম অমসুং ৱাবগাই অৱাং লৈকায়দা লৈবা ময়েংবম মণিহার অমসুং মাগী ইমুং মনুংগা খুৎশম্নরগা ৫৫ রক শুবা টুরিং প্রোগ্রাম ওফ সত সঙ্গ লোয়ননা সঙ্কির্তন অমসুং লাইনীংগী মরমদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা হৌখিবা মার্চ ১৬দা ৱাবগাই অৱাং লৈকায় পান্দপ্তা পাঙথোকখে হায়না একাদেমী অসিগী প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, থৌরম অদুদা ৱাবগাই কৈরেক জিল্লা পরিষদকী জিল্লা পরিষদ মেম্বর ময়েংবম ওংবী ওমিলা, ৱাবগাই এ সিগী এক্স এম এল এ ময়েংবম মণিহার, ৱাবগাই গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান য়ুম্নাম ওংবী তম্ফা, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ৱিমেন য়ুনাইটেদ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী এদভাইজর কাংবম ওংবী থাসনানা মথংশিংনা অথোইবা লেঙবীরকপা, থৌরম মপু অমসুং ঈকায়খুম্নরিবা লেঙবীরকপশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা নুংগী ৱারোল পীরদুনা নেসনেল য়ুঠ প্রোজেক্ট ট্রষ্ট, ন্যু দিল্লিগী লাইফ মেম্বর লাইশ্রম বীজয়কুমার হায়খিবদা হিংমিন্নবসিদা কাঙলূপ খুদিংমক লাইনীং খুদিংমক অমনা অমবু ঈকায়খুম্নবা মথৌ তাই। মসিনা মালেমদা ঈংনা লৈবা ঙমগনি। অদুবা মৈতৈ হায়বা লুপসিদি মণিপুর ৱাংমা হেক লানখিবদা শক অমসুং ঐখোয়গী লাইনীংবু খঙবীগদবা কনা অমত্তা লৈতে, খঙসু খঙবীদে। মরমদি মৈতৈ ঐখোয়সি মীতোপশিংনা হেক উবদা অহানবদা নেপালি ওইনা লৌই, করিগুম্বা মফম খরদনা চাইনিজ ওইনা লৌবসু য়াওই।

অতম্নবা হংলকপদা মণিপুরীনি হায়না শক তাকই। মৈতৈনি হায়দে। মসিনা তাকপদি মণিপুরীশিংসি ইন্দিয়াগী পুৱারী নৈনবদা মৈহৌরোলদগী য়াওরক্তে, হৌজিকসু য়াওদে। তুংগী মীরোন্নসু খঙহৌরোই। মরমদি ঐখোয়সি ইশাগী অরেপ্পা ফীরেপ লৈজদ্রিবা অপিকপা ফুরুপনি। খরা ফগদ্র হায়দুনা নিংথৌশিংগী মতমদা হিন্দু লাইনীং লৌরুবনি। মসিসু থোইনা কান্নবা ফংদে। মরমদি হিন্দু লাইনীংসু কমন প্রেটফোর্ম লৈজদে। অদু অমনা অমবু কয়া লুম্না লৌনদে। হিন্দু লাইনীং চৎচরগসু অমক্ত ওইবা লাই নীংদে। হিন্দুগী লৈরিবা লাই কোটি ৩৩ মক মানা মানা পান্দ্বদা নীংনৈ হায়না ফোঙদোকখি হায়রি।

ঙরাংদা লাইনীং লৌখিবা খৃষ্টিয়ান লাইনীং চৎপশিংনা হেন্না খুমাঙ য়াম্না চাউশিনবা ঙমখ্রে। হান্নদগী লৈরক্লবা ইস্লাম লাইনীংবু লম্বা তৌবা ঙল্লক্লে। অসুম্না ঐখোয়সু ইপা ইপুনা তৌরকপা লাইনীংশিংবু য়োকখৎনবা মফম মতম নাইবা মওংদা থবক তৌনবা হোৎনবা চঙই। অসি তৌদবা তারগদি ঐকোয়গী তুংগী মীরোল কনবা ঙমগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি হায়রি।

থৌরম মপুগী ৱারোল পীরদুনা ময়েংবম মণিহারনা হায়খিবদা, ঙসি মণিপুরদা অহানবা ওইনা লাইশ্রম মণি গৌর সঙ্গিত একাদেমীনা মীয়ামদা পীরিবা লাইনীংগী মরমদা খন্ন-নৈনবগী খোঙচৎ অসিদা য়াম্না মমল য়াম্মি। খোঙচৎ অসি ঈ-পুঙ্গী কাঙবু মীয়ামদা তোইনা পাউ পীবীরগদি অমুক্তা হেন্না ঐখোয়গী শোত্থরিবা কয়াসি মেনখৎপদা য়াম্না খুমাঙ চাউশিনগনি।

লাইনীংনা লৈখা তারকপগী মরম ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংবা ঙমদবদগীনি। ঐখোয় ঐখোয়গী লাইনীং থবক থৌরম অমা পাঙথোকপদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক য়াওহন্নবা হোৎনবা অসি তোকথোক্লসি। অঙাংশিংদা লাইনীং হায়বসি করিনো মশক খঙহন্নবা হোৎনসি। মখোয়দগী হৌনা শেমগৎত্রবদি তুংগী মীরোল কনা ৱাগনি। লাইশ্রম মণি গৌর সঙ্গিত একাদেমী, থৌবাল ৱাঙ্খেমনা এব্যারনেস থৌরম পাঙথোক্তুনা মীয়ামদা খঙহল্লিবা অসিগুম্বা ঐখোয়গী লৈরিবা ক্লবশিংনসু ঐখোয়না ঙম্বা মফমদা চৎতুনা মীয়াম্বু ৱাখল তামিন্নবা হোৎনসি হায়নসু মহাক্না আপীল তৌখি হায়রি।

থৌরমসিগী ঈকায়খুম্নরিবা লেঙবীরকপী কাংবম ওংবী থাসনানা ফোঙদোকখিবদা ঙসি মণিপুরদা নুপীশিংনা থেংনরিবা অৱাবা কয়াসি মৈতৈগী লাইনীংনা লৈখা তারকপদগীনি। একাদেমী অসিগী এব্যারনেস প্রোগ্রামগী খোঙচৎসিনা ঐখোয়বু তুম্বা হৌদোকপগা চপ মান্নে। ৫৫রক শুবা খোঙচৎসি ফাওবদা থেংনবীরকপা অৱাবা নুংঙাইবগী পাউদম তাবদা ঐখোয়সু পুক্নিং লৌশিং য়াম্না ওইহল্লি। থাঙ্গৈশেংমক্নি ঐখোয়গী কমন প্লেটফোর্ম লৈত্রগদি মণিপুরগী মৈতৈগী লাইবক তম্বা ঙমদে। মণিপুরগী খুঙ্গং খুদিংদা লৈরিবা ক্লব অমসুং ওর্গনাইজেসন খুদিংমক্নসু ঐখোয়গী লাইনীংগী কমন প্লেটফোম শেমগৎনবা হোৎনবদা থৌদাং লৌহন্নিংই।

## শোকপদগী লায়কন্নরি

ইম্ফাল, মার্চ ১৮ঃলেন্দ একুজিসন এক্টপুলান্না এন দি এ লৈঙাকনা লৌমীশিংদা লৌনম নমথাক তৌনবা হোৎনখিববু ইন্দিয়ান য়ুঠ কোংগ্রেস (আই ৱাই সী)না প্রোটেষ্ট/ধরনা/সনসদ ঘেরাও ঙসি ঙসি ইন্দিয়াগী কোনুং ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখ্রে হায়না মণিপুর প্রদেশ য়ুঠ কোংগ্রেস কমিটিগী প্রসিদেন্ট এম দি অমির হুসেননা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, অসিগুম্বা প্রোটেষ্ট অদুদা মণিপুর প্রদেশ য়ুঠ কোংগ্রেস কমিটিগী জেনরেল সেক্রেটরি সুনিতা না কমিটিগী মীহুৎ ওইনা শরুকয়াখি। অদুবু দিল্লি পুলিসনা মীওইবগী মীনুংশিগী ৱাংমদা প্রোটেষ্ট তৌরিবা কাঙবুদা ফুবা-চৈবা তৌবদগী মণিপুরগী সুনিতা য়াম্না থীনাশোক্তুনা লায়কন্নরি। দিল্লি পুলিসকী থৌওং অদু কমিটি অসিনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি লোয়ননা এন দি এ লৈঙাক অসি মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবা লৈঙাকনি হায়রি।

HL-P/4395/18,19

rTzj wAc

**DRIVER WANTED**

**Experience - 5 to 7 years**

**Contact: Juli Mobile**

m\licjg **DUTTA CLINIC** m\licjg

অঙৌবা পকপা, তাং-তাং চিকপা, নুপাগী প্রোব্লেম, নুপীগী প্রোব্লেম, নুংশং অমসুং গ্যাস্ত্রিক, ডাইবেটিস, নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম অমসুং য়ু করম্না থাদোক্কনি

**অঙৌবা পকপা :**



অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। মতম চানা লায়েংলবদি অতৈ অনাবাগুম ফহনবা ঙম্মী। অঙৌবা পকপশিংদুখক অফবা মখলগী হিদাকশিং শিজিন্নদুনা অনাবা মীওইশিং কয়া ফহনবা ঙমখ্রে। অমুক্তং লাকপীদুনা অদোমগী অনাবসু পুংফা ফহনবীয়ু।

**তাং-তাং চিকপা :**

তাং তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিত্থবা, মশল নাবা, থবাক নাবা, মীহুন কাহেন্না চোংবা, থবাক খেবা অসিনচিংবশিং অসি ঐখোয়গী হিদাক্না পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

**নুপাগী প্রোব্লেম :**

ফম্বী পাবা, ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কাছা চৎপা অমদি মপান থোকপা নত্রগা অমাংবদা কাছা লোয়নবা তারবদি ঐখোয়গী হিদাক অসি শিজিন্নবনা ফিনুংদা হাকৎচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থরকপা ফহনবা ঙম্মী। সোনোরিয়া, সাইফিলস ইনফর্টিসিটি হায়রিবা লায়নাশিং অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী। মাংলুরবা পুন্সিগী মহাও হনগৎহল্লকপা ঙম্বা অমদি শোন্থরুরবা ইন্দ্রিগী শক্তিবু অমুক হনগৎহনবা ঙল্লবা পুন্সি শাংদোকহল্লগা মেন পৱার অদোমগীদমক লৈজরে। মমল লুপা ৪৫০।

**নুপীগী প্রোব্লেম :**

ফিঙৌ চৎপা থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা, মনম নমথিবা, ফিনুংদা হাকৎচবা অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী অমদি ব্রেষ্ট চোন্থবানচিংবা অসি ক্রিম অমদি হিদাক শিজিন্নদুনা ফজহনবা ঙমহল্লি।

**নুংশং অমসুং গ্যাস্ত্রিক্কী :**

নুংশং ই তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাই অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোং হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্না অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী।

**ডাইবেটিস :**

ঐখোয়গী হিদাকশিং অসি শিজিন্নরবদি ডাইবেটিসকী চাং নোংমা নোংমগী হন্থহনবা ঙম্মী অমসুং সেক্স পৱার হেঙ্গৎহল্লি। অদুগা মাংলুরবা পাঙ্গল নৌহৌননা ফংবা ঙমহল্লি।

**নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম :**

না তাবা ৱাৎপা, নাকোং ঙংদুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমদি নাতোন ফুনবা নপ মহি তাবা, হাকথি তোয়না খনবা, স্বর হোনবা ৱাবা হায়রিবশিং অসি ঐখোয়গী মেদিসিননা ফহনবা ঙল্লে।

অদুগা শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী অমদি চহীগা চান্নদনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাকৎচবা অসিগীদমকসু অথুবা মতমদা তান্নবীদুনা অদোমগী অৱাবা অদু কোক্কনি।

**য়ু করম্না থাদোক্কনি :**

য়ুদা লায়চুদুনা লৈরবা মীওইশিংদা মশা খৎহন্দনা ঐখোয়গী হিদাক অসি পীজবা তারবদি অদোমগী ইমুং মনুং হরাও-নুংঙাইবা হায়বদো হঞ্জিল্লকনি। মহাক শোয়দনা য়ু থাদোক্কনি।

rGf smgegd

**DUTTA CLINIC** (Regd. No. 55503)


Khoyathong Christian Literature House Building

Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/2207/23/2-22/3





HL-B/4273/1,3,5,11,13..







## CROSSWORD-1689




**ACROSS**

7 Twinkle, sparkle (11)
8 In words (6)
9 Assemble (6)
10 Receive willingly (6)
12 Current (6)
13 Small bird (3)
14 Artist's workroom (6)
16 Become visible (6)
18 Game bird (6)
20 Sleepy (6)
22 Fine penmanship (11)

**DOWN**

1 Small island (4)
2 Take small bites (6)
3 Long dagger (8)
4 Work hard (4)
5 Deposit that forms on teeth (6)
6 Brown sugar (8)
11 Waterfall (8)
12 Flag (8)
15 Twice the amount (6)
17 Punctual (6)
19 Prepare for publication (4)
21 Mythical river of the underworld (4)

Solution 1688



SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-1497**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 5 | | | 8 | | | | 4 |
| | 8 | | 5 | | | | | |
| | | | 7 | 4 | | 5 | | |
| | 3 | | | 5 | | | | |
| | 6 | 8 | | | | 9 | 1 | |
| | | | | 7 | | | 6 | |
| | | 3 | | 2 | 1 | | | |
| | | | | | 7 | | 4 | |
| 2 | | | | 6 | | | 7 | 8 |

**Solution-1496**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 7 | 4 | 1 | 9 | 2 | 8 | 5 | 6 |
| 6 | 9 | 8 | 7 | 5 | 3 | 2 | 1 | 4 |
| 5 | 2 | 1 | 6 | 4 | 8 | 9 | 3 | 7 |
| 4 | 6 | 3 | 9 | 2 | 5 | 7 | 8 | 1 |
| 9 | 1 | 5 | 8 | 7 | 6 | 4 | 2 | 3 |
| 7 | 8 | 2 | 3 | 1 | 4 | 6 | 9 | 5 |
| 8 | 3 | 9 | 4 | 6 | 1 | 5 | 7 | 2 |
| 1 | 5 | 6 | 2 | 8 | 7 | 3 | 4 | 9 |
| 2 | 4 | 7 | 5 | 3 | 9 | 1 | 6 | 8 |

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9 Every row must contain the numbers from 1 through 9 Every column must contain the numbers from 1 through 9 Every 3x3 square must contain the numbers from 1 through 9

HL-P/2288/13,15,17,19